কে এস এগী থৌমী...

লামায় ১গী মখা... হায়রদুনা ঙসি পীরিবা ঈ অসিনা মসিগী তঙাইফদবা লৈরিবশিংগী অৱাৎপদা মতেং পাংবা ঙম্লগনি হায়খি। কোভিদকী কাঙলোন লৈবনা মী মশীং য়াম্না ঈ পীবা ঙমদ্রগসু মসিগীদমক পীরিবা কাঙলোনগী মনুং চন্না লায়েংশঙশিং অসিগী অয়াবা মতুংইন্না ঙসি কে এস এগী থৌমী ৫০/৫০না ঈ পীবনি হায়খি।

FOREX (INDIA RUPEES)	
FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.223856
US Dollar	74.436237
British Pound	99.694482
Australian Dollar	54.324142
Chinese Yuan Renminbi	11.664922
Japanese Yen	0.652653
Malaysian Ringgit	17.870429
Singapore Dollar	54.987633
South Korean Won	0.063188
Saudi Arabian Riyal	19.849663
Thai Baht	2.269123

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48733.00
Mumbai	–	Rs	49720.00
Delhi	–	Rs	49586.00
Kolkata	–	Rs	49975.00

GAS NEWS

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 05/10/2021
Valid from 23/09/21
Stock 306 nos.
Home Dellivery & Booking Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705, 7085786488
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTO-11/10/21
VALID FROM - 06/10/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868 OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

KHORIPHABA NAMBOL
Bk up-to-date
Home delivery contact no: 9366471778, 8974087390, 8787632782

HIYANGTHANG INDANE.
Booking 05-10-21.
Valid.02-10-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971

KHUMBONG INDANE
Booking upto 28-10-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING :BK.UPTODATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544,9089370369,9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502

JRONGMEI SK INDANE WANGOI,
BKING UPTO 3/9/21
valid from 2/9/21.
Stk 306,
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 27/10/2021
Valid from 02/10/2021

M/S K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

য়ুম থুগাইবীরম্লে হায়দুনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস): কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না অরাপতি মমাঙ শান্তিনগর লৈকায়দা লৈজবা মশাগী য়ুম মীওই ৩০ মুক্না থুগাইবীরম্লে হায়রদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না য়ুম্নু লাইশ্রম বেমবেমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ক্যামগৈ মনিং লৈকায়দা লৈবা ৱাই শান্তগী য়ুমদা পাঔমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী লৈবাক্না ফল্লাং খারগা জিজ্ঘনা কুপ্পা য়ুম অসি থুগাইবীরম্লদা নত্তনা অরাপতি মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ক্লব/মৈরা পায়বীশিং য়াওনা এম এল এগী ৱার্করশিংনি হায়বা খরনা বি জে পিগী ফিরাল শুমাংদা য়ুংদুনা চাকশু শিনবীয়ু হায়না মহাক্কী মপুরোয়বা অমরজিৎপুসু ফুবিরমখি হায়রি। থৌওং অসি বি জে পিগী ফিরাল য়ুংদ্রবদি চেঙ পীরোই হায়বা ৱাহৌদগী লাকপনি। মসিদা ক্লবকী মায়কৈদগী এজেন্টনা চেঙ পীরোই হায়বসি মহাক্কী ইমুংগী মীওই অমনা চেঙ লৌবা চৎপদা হায়রকপনি হায়খি। বি জে পিগী ফিরাল য়ুংবা পামদবা মীওইদা ফিরাল য়ুংদবা য়াদে হায়না কিহনবগী থৌওং চথরকপসিদি পেন্দে। য়ুম থুগাইরম্বা অসিগীদমক লৈঙাক্না অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

পুলিসনা দ্রাইভর ফূরকপবু কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, নভেম্বর ১২ (ঐচএনএস): সিলচরদগী পোৎ পুরকপা ট্রক দ্রাইভর অমা ঙরাং নুমিদাং নোনেদা পুলিসনা তমথিনা ফূবদগী শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে। থৌদোকসিদা চেন্নরিবা পুলিসকী পর্সনলশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না এক্সন লৌখৎতুনা মখোয়বু সস্পেন্দ তৌদ্রবদি ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমদি ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা দ্রাইভরশিংনা ষ্টারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়না মণিপুর দ্রাইভর্স এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় ক্ষেত্রিময়ুমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়, শোক্লবা টাটা দ্রাইভর অদুদি পঞ্জাবতগী গুলদিপ (৬৫) কৌই। মহাক্কী য়েৎ থংবা খূৎ, ওয় থংবা খোঙ অমসুং হকচাংগী মফমশিংদা শোকপদগী খুম্বোংগী সী ঐচ সীদা পুখৎতুনা লায়েংখি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়খি।

মীওই ৩ বেল পীখ্রে...

লামায় ১গী মখা... শিংজমৈ পি এসনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকপদগী কোর্টনা বেল পীখ্রবা মীওই অদুনা ইরোম মৈত্রাও মমাঙ মখা লৈকায়দগী থিয়াম বিরজিৎ লুৱাং (২৮) অপোকপা থিয়াম লোকেন কৌই। মহাক সেপ্টেম্বর ২১, ২০২১গী অয়ূক্তা দেসামগী ওফিসতা নাওরেম বিরহরি কোলেজগী ওজা অমা ফু-চৈবা তৌখি হায়বা থৌদোক্তা মরী লৈননা পি এস অসিনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা পুলিসতা থা অসিগী ৮দা চঙজরকখিবনি। অদুগা মথংগী নুমিৎতগী ঙসি ফাওবদা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা থল্লকৃবা মতুং ঙসি জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা বেল পীখিবনি ।

অমরোমদা, ইম্ফাল পি এসনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা বেল পীখ্রবা মীওই অনীদুনা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী হিজম গ্যানেশ্বর (৬১) অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ইবোচৌ অমসুং পেবম সঞ্জিৎ (৩৫) অপোকপা পি জয়কুমারনি। মখোয় অনীনা থা অসিগী ১০গী নুমিদাংদা নুপী অনীবু কারদগী চিংথরগা ফূবা-চৈবা তৌখি হায়বগী মতাংদা আই পি এসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ঙরাং ফাগৎখিবনি অদুগা ঙসি জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা মখোয়না পুলিসকী রিমান্দ অসিবু ওবজেক্সন তৌরদুনা বেল পীবিনবা হায়জরকপদগী কোর্টনা খন্নরগা বেল পীখিবনি।

সোরোকখাইবম ভুবোনদা হৈকৎ...

লামায় ১গী মখা... কম্মিস্নর মোংজম জয়না ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ১৯৫৪দা হাওরং লৈশং শাফবী কৌবা মণিপুরগী দ্রামা অসি ওল ইন্দিয়াগী ওইবা ফেষ্টিবেলদা উৎলুবদা অহানবা মনা ফংলকখিবনি। মতম অদুগী লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজেন্দ্র প্রসাদনা লাম্থোকখিবা মনা অদু সোরোকখাইবম ললিটনা লৌদুনা লৈবাক পূম্বদা মণিপুরগী দ্রামাগী মশক তাকখিবনি। মতমদুদগী চাউথোকচনীংঙাই ওইদুনা লাক্লিবা মণিপুরগী দ্রামা অসি সোরোকখাইবম ললিটকী মচা ইবুংঙো ভুবোননসু অমুক মখা শমথরক্তুনা মসিগীদমক অঙম্বা থৌদাং লৌরমখিবনি হায়রদুনা থৌওং অসি কৈনা তোকপা পোকপ্রা হায়বদুনি হায়খি।

কৈনা কৈ পোকই, তোকপনা তোকপা পোকই। মরম অসিনা দ্রামাগী লম্দা কৎথোক্লম্বা অহলশিংবু ঐখোয়না কাঔবা লৈতে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম কেসোরামনা থৌরম মপু ওইরগা থিএটর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নবনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ ...

লামায় ১গী মখা... পার্টিগী সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টর (সী ঐচ ক্যু), রেদ আর্মিগী ৭০১ মোবাইল বট্টালিয়ন, ৭০৭ বট্টালিয়ন, টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টর (টি ঐচ ক্যু), বেজ এরিয়াশিং, ত্রাঞ্জিং কেম্প অমদি ত্রেনিং সেন্টরশিংদসু পাঙথোকখি অমদি পার্টিগী ফিরাল তঙ্খাই চিংথবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংদা রেভল্যুস্নরি গন সেল্যুট পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি।

অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ (নবেম্বর ১২, ২০২১) অসিবু কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অকিবা অমসুং চেকশিনবা মরক্তা লমদমসিগী মীয়াম হুপ্না শরুক য়াবিদুনা নীংতম য়াওল লাম্থেং অসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী নীংশিং খুভমশিংদা লৈ কৎপদা নত্তনা য়ুমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপীখিবা অদুগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি অমসুং রেদ আর্মিশিংনা প্রিপাক্লা পাল্লিবা নীংতম্বা চাওখৎপা অমসুং মান্নবা খুন্নাই হায়বা পন্থুং অদু ফংদ্রি ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা মীয়ামগী য়েক্লবা ইম্পরেলিষ্ট ইন্দিয়াগী মথক্তা নীংতম লাম্থেং চথখিগনি হায়নসু অমুক্কা হন্না ফোঙদোরক্লি।

অথুবা মতমদা মণিপুর গ্যাস পাইপ লাইনশিংগা শম্নরগনি...

লামায় ১গী মখা... দিসএবিলিটি খরদমক থোকহল্লবশিংদনা লুপা লাখ ১/১ পীগনি হায়খি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরনা চীফ সেক্রেটরিদা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা আশা ৱার্করনচিংবশিংগী কেম্পশিং পাঙথোকপগুম্না ঈ-শ্রম রেজিষ্ট্রেসনগী তোঙানবা কেম্পশিং পাঙথোক্লবা পাউতাক পীখি। তোঙানবা কেম্পশিং অদুনা ত্রিফেদকী মখাদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং কোনশিনবগা লোয়ননা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংগীনা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টনা পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মহাক্না য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট) রামেশ্বর টেলিদা মীওই লাখ ৮ রেজিষ্ট্রেসন তৌহন্নবগী থল্লিবা টার্গেট অসি মণিপুরদা দিসেম্বর ২০২১ ফাওবগী মনুংদা য়ৌহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা পীখি। উজ্বালা স্কিমগী মখাদা মণিপুরগী নুপী লাখ ১.৪ হেনবদা এল পি জি গ্যাস কনেক্সন পীরে হায়রদুনা চীফ মিনিষ্টরনা উজ্বালা ২.০ অসি ঙরাং ষ্টেট অসিদা হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা মণিপুরদা এল পি জি গ্যাস কনেক্সন লাখ ১ পীননবা পান্দম থল্লি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা হৌজিক ফাওবদা গ্যাস কনেক্সন ১৫,৩০৪, সেনাপতিগী ৩১,৯৯৯, কাংপোকপীগী ২৩,৪৫৪, ফেরজোলগী ৫,০২৮, তমেংলোংগী ৭,৮১৬, উখ্রুলগী ৬,৯৯৫, থৌবালগী ১০,৫৩০, ককচীংগী ১,৬৯৮ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকীনা কনেক্সন ১৪৮ পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

গ্যাস কনেক্সনশিং অসি হৌজিক চথরিবা গো টু ভিলেজ অমসুং অতোপ্পা থৌরমশিংদা খূৎশিন্নগনি হায়বগা লোয়ননা স্কিম অসিগী মখাদা চাদা ৯০গী চাংদা গ্যাস কনেক্সন পীবা ঙল্লবা দিষ্ট্রিক্তশিংনা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা ৱাৎহৌরিবা চাদা ১০গী কনেক্সনশিং পীবিনবসু হায়জরগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আই পি আর অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা স্কিম অসি হেক হৌদোরকপগা লেবর অমসুং এমপ্লোইমেন্ট দিপার্টমেন্টনা লৈবাক অসিগী ৱার্করশিংগী হক খ্বাইদগী ফবা মওংদা ঙাক শেন্নবা অমসুং মখোয়গী থবক থৌরমশিং চাওখৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়খি।

মহাক্না ঈ-শ্রম স্কিমগী মতাংদা পল্লদুনা মশাগী চহী ১৬তগী ৫৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অন-ওর্গনাইজদ ৱার্কর অমনা হেক্তা স্কিম অসিগীদমক রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি হায়খি। মরম অসিনা স্কিম অসিগীদমক থল্লিবা পান্দম অসি মার্চ, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা মায় পাক্লা য়ৌহনবা ঙম্নবগীদমক ৱার্করশিংনা অথুবা মতমদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবীয়ু হায়খি। মসিগীদমক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মাস কেম্প্যেন অমসুং রেজিষ্ট্রেসন কেম্পশিংসু পাঙথোক্লগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরনসু ঈ-শ্রম স্কিমগী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী কান্নবশিং শন্দোক্লা পাউদম্লদুনা মীয়াম্না অথুবা মতমদা স্কিম অসিগী মখাদা কান্নবা লৌনবগীদমক রেজিষ্টর তৌনবা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর ৱেলফ্যের বোর্দকী চেয়রমেন ঐচ দিঙ্গো, লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী চেয়রমেন এল সুসিন্দ্রো, চীফ সেক্রেটরি রাজেস কুমার অমসুং লেবর অমদি এমপ্লোইমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরনা ঈ পি এফ ওনা লৌখৎলকপা 'প্রায়াস' কী মখাদা পেন্সন পেমেন্ট ওর্দরশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা অন-ওর্গনাইজদ ৱার্কর ৩০দা ঈ-শ্রম রেজিষ্ট্রেসন কার্দশিং য়েন্থোকখি।

লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ঈ-শ্রম পোর্টেলগী মখাদা লৈবাক অসিগী ৱার্কর অমসুং লেবর ক্রোর ৭কা লাখ ৩০ রোম রেজিষ্টর তৌরে অমসুং মণিপুরগী ওইনা লাখ ৮.৬৫ রেজিষ্ট্রেসন তৌহন্নবা পান্দম থল্লি হায়খি।

মণিপুরগী ওইনা থল্লিবা পান্দম অসি চীফ মিনিষ্টরগা খূৎশম্নদুনা মথং থাদা মপূং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনরি হায়রদুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৯দা চাদা ৯০গী মখাদা এল পি জি কনেক্সনশিং পীরগনি হায়খি।

এন আই এ,সী বি আই য়াওনা ওথোরিটিশিংদা অনৌবা...

লামায় ১গী মখা... কেসশিং ৱায়েল চথনবা স্পেসল কোর্ট (এম পি/এম এল এ) নম্বর ১-মণিপুর (সেসন্স কোর্ট লেভেল) অমসুং স্পেসল কোর্ট (এম পি/এম এল এ) নম্বর ২ - মণিপুর (মেজিষ্ট্রেট লেভেল) লিংখৎখ্রবনি। সেক্রেটরিএট : লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস দিপার্টমেন্টনা ওক্টোবর ১৩, ২০২০দা থোকখিবা নোটিফিকেসন মতুংইন্না হায়রিবা মণিপুর পূম্বা কোনশিনগদবা কোর্ট অনীসিগী থবক থৌরমশিং নুমিৎ অসিদগী মথৌ পাঙথোকপা হৌরকখ্রবনি।

লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা শুও মোটুদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা পি আই এল অসিগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইকোন কোন্না মেট্টর অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি।

কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, সেক্রেটরি (হোম), সেক্রেটরি (লো), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর, দিরেক্টর ওফ প্রোজিক্যুসন, দিরেক্টর (ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি), পাঙ্গৈ, সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) গী সেক্রেটরিনি।

কোর্টনা থা অসিগী ৯দা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা কেস অসিগী মরী লৈনরিবা পার্টি পূম্নমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা কেস অসিগা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী রিপোর্টশিং অদু চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল, ২০২১দা পীখৎলকখিবনি। অদুবু মতম অদুগী মতুংদগীদি থোং মখাদা ঈশিং য়াম্না চেনশিল্লকখ্রে হায়বদি অনৌবা দিভেলপমেন্ট কয়া লৈখ্রে হায়রদুনা মরী লৈনরিবা কেস অসিগী ওথোরিটি পূম্নমক্না হৌজিক ওইরিবা কেসশিংগী ফীভমশিং য়াওনা অনৌবা রিপোর্টশিং ফাইল তৌরকপনা চপ চাবা খোঙথাং ওইগনি হায়খি। মরম অদুনা কেস অসিগা মরী লৈনরিবা ষ্টেট ওথোরিটিশিং, হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রি, সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন, নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেস অসিগা মরী লৈনবা অনৌবা রিপোর্টশিং ফাইল তৌরক্কদবনি হায়না দিরেক্সন পীখি।

রিপোর্টশিং অদু মথং থাগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা ফাইল তৌরকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদা কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিংগীদমক অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু হায় কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্সন মতুংইন্না মণিপুরগী ক্রিমিনেল কেসশিং চেন্নবা সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী কেসশিংগা মরী লৈননা লৌখৎখিবা পি আই এল নম্বর ৩৮ ওফ ২০২০ অসিনা কোনশিল্লিবা মণিপুরগী সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মনুংদা য়াওরিবশিংনা ফোর্মর এম এল এ নোংমৈকাপম সোভাকিরন (এফ আই আর নম্বর ১ (১) ২০১৭ নোংপোক সেকমাই পি এস অন্দর সেক্সন ১৪৭, ১৪৯, ১৫২, ৩২৩, ৩২৫, ৪২৭, ১২০ - বি, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মস এক্ট), সিটিং এম এল এ কে মেঘচন্দ্র (এফ আই আর নম্বর ৩ (৪) ২০১৯ থৌবাল দাম পি এস অন্দর সেক্সন ৩৫৩, ৫০৬, ৩৪ আই পি সী, ৩ (১)- এস সী/এস টি প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিটিজ এক্ট, ১৯৮৯ অমসুং ১৩১ (১) (বি) (২) রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১), ফোর্মর এম এল এ অবদুল নসির (এফ আই আর নম্বর ৪৯৯ (১১) ২০১২ পোরোম্পাৎ পি এস অন্দর সেক্সন ৩২৫, ৪২৭, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মস এক্ট), ফোর্মর এম এল এ মোইরাংথেম হেমন্ত (এফ আই আর নম্বর ১৫৬ (৬) ২০১৩ পোরোম্পাৎ পি এস অন্দর সেক্সন ৪৫৭, ৪৫৮, ৫০৬, ৪২৭, ৩৮০, ৩৪ আই পি সী), সিটিং এম এল এ ওইনাম লুখোই এলিয়জ ইঙো (এফ আই আর নম্বর ৫৫ (৮) ২০০৯ ময়াং ইম্ফাল পি এস অন্দর সেক্সন ১২১, ১২১-এ, ৩৪ আই পি সী, ২০ অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এমেন্দমেন্ট এক্ট অমসুং ৫-এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ট), ফোর্মর এম এল এ ওক্রম হেনরি (সী বি আইগী কেস নম্বর আর সী -৭/এস/২০১৩ (কোলকটা), ফোর্মর এম এল এ সাম্যুএল জেন্দাই (এফ আই আর নম্বর ২২ (৯) ২০১৮ নোনে পি এস অন্দর সেক্সন ৩২৫, ৫০৬, ৪৩৬, ৪২৭, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মদ এক্ট), সিটিং এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ (এন আই এগী কেস নম্বর আর সী - ০২/২০১৮/এন আই এ (গুৱাহাটি) অন্দর সেক্সন ১২০-বি আই পি সী, ২১, ২৩ (১) য়ু এ (পি) এক্ট, ২৫ (আই এ এ এন্দ ২৯ অমসুং ৩০ আর্মস এক্ট), সিটিং এম এল এ ও ইবোবী (সী বি আইগী কেস নম্বর আর সী - ০১৭/২০১৯/এ - ০০০২ অন্দর সেক্সন ১২০-বি, ৪২০ আই পি সী, ১৩ (২), ১৩ (১) (দি) প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট অমসুং আর সী/দি এস টি/২০১৯/এ/০০১১ অন্দর সেক্সন ৪২০, ৪০৯, ৪০৬, ৪০৩, ১২০ -বি, ৩৪ আই পি সী, ১৩ (২), ১৩(১) (সী) প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, সিটিং এম এল এ গাইখাঙম (এফ আই আর নম্বর ৭ (১১) ২০১৮ ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পি এস অন্দর সেক্সন ১২০-বি, ৪২০ আই পি সী, ১৩ (২), ১৩ (১) (সী) (দি) প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, এফ আই আর নম্বর ১ (৩) ২০১৯ ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পি এস অন্দর সেক্সন ১২০-বি, ৪২০ আই পি সী, ১৩ (২), ১৩ (১) (সী) (দি) প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী মখাদা সিটিং এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বর অমসুং ফোর্মর এম এল এ ডা. কে ঐচ রতনকুমার, এফ আই আর নম্বর ৭৬ (৭) ২০২০ লম্ফেল পি এস অন্দর সেক্সন ৩৪১, ৩৪২, ৩৪৭, ৩৪৮, ৩৫২, ৩৮৫, ৩৮৬, ৪০৬, ৪১৮, ৪২০ অমসুং ১২০-বি আই পি সীগী মখাদা সিটিং এম এল এশিং ওইরিবা টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং এল রামেশ্বর য়াওরি।

লোয়ননা সিটিং এম এল এ এল রামেশ্বরগী মথক্তদি সী বি আইনা কেস নম্বর আর সী -১ (এ)/২০১৮ অন্দর সেক্সন ১২০-বি, ৪২০, ৪৬৮, ৪৭১ আই পি সী অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮গী সেক্সন ১৩ (২) অমসুং ১৩ (১) (দি) গী মখাদা কেস অমসু লৌখৎতুনা মরী লৈনবা কোর্টতা চার্জশীট সবমিট তৌরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা লৈবাক অসিগী সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসন অমসুং ৱায়েলগী থবক অথুবা মতমদা থেংথহন্দনা পাঙথোক্কদবনি হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিবু এপেক্স কোর্ট অসিনা ওগষ্ট ৯, ২০২১দা লৌখৎতুনা মখা তানা খন্নরবা মতুংদা পীখিবা রুল্লিংদা সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎলকপা ক্রিমিনেল কেসশিং পূম্নমক মরী লৈনবা হায় কোর্টকী অয়াবা য়াওদ্রবদি ৱিথদ্রো তৌবা য়ারোই হায়বগী ৱাফমসু খঙহনখিবনি।

থৌবালদা...

লামায় ১গী মখা... (দি এফ দব্লিয়ু ও) ডা. কে এস ঐচ মেমচানা হায়খিবদা ঙসিদগী লমথারিবা ভেন মঙা অসিনা য়াম্না শোংখহৌরবা ভেক্সিন য়াম্না কাপথোকত্রিবা মফমশিংদা ঙসিদগী চৎকনি হায়দুনা ঙসি অহানবা ওইনা হৈরোক সী ঐচ সীগী এরিয়াশিং, পি ঐচ সী ৱাংজিংগী এরিয়াশিং, হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর খাঙবোক অমদি মোইজিংগী এরিয়া অমসুং লিলোংগী তোঙান তোঙানবা এরিয়াশিংদা চৎপা হৌগনি হায়খি। হেল্প লাইন নম্বরনা ৯৮৬২২৬৭৫৫২ অমদি দি আই ওগী নম্বরনা ৮৭৮৭৩৫১০৮০ অসিদা মীয়াম্না কোল তৌবীরক্তুনা পাউ পীবিয়ু হায়খি।

'লাম্থেংমিন্নসি ঐখোয়' ...

*লামায় ১গী মখা...*চেরোল অসিগী মতুংইন্না হন্দক্ক নীংথম চেফোঙসিদা ১৭শুবা মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগী মপোক কুমওনদা মিলিটরি এফ্যেরস কম্মিটিনা মীয়ামদা পীজবা য়াওল পাউজেল, এদিটোরিএল (মণিপুরী - নন মেটরিএলিষ্টিক ওইবা পুৱারীগী ৱাখল্লোন অমদি য়াওল ঈহৌ), এদিটোরিএল (ইংলিস - নন-মেটরিএলিষ্টিক কন্সেপ্ট ওফ হিষ্টোরি এন্দ ফেট ওফ লিবরেসন মুভমেন্ট), ফ্রান্টজ ফেননগী 'দি রেচিদ ওফ দি আর্থ (মালেমগী মরাইবক থীরবশিং), মার্ক্সিজম খনমিন্নসি : রসিয়াদা মার্ক্সিজম-লেনিনগী ঙল্লিঙৈগী পুন্সি, (দাস কেপিটেলগী অহানবা শরুক) অহানবা পন্দুপ - লৈনা-য়োন্ন পোৎ (কম্মোদিটি) গী মচাক অনী : য়ুজ ভেল্যু অমসুং একচেঞ্জ ভেল্যু, ইরাবতকী খূৎলায় পায়বা কম্যুনিষ্ট লালহৌ অমসুং মাগী মখা শমথরকপা, হিজম ইরাবতকী শৈরেং 'মখোয়সিনি', য়ু এস এদা মীয়ামগী ঈ চূপ্লিবা অনা লায়েং কাঙলোনবু মচা খায়না উৎলিবা মাইকেল মোরগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম 'সিক্কো', জোর্জ ওরৱেলগী ৱারী লাইরিক 'এনিমেল ফার্ম', কৌব্রু ৱাথোক ইথনিক এলিটশিংগী লৌতুনবনি, টুৱার্দস দেমোক্রেটিক ৱে ওফ রিজোলভিং কন্ফ্লিক্ট, হোস্পিটালস : লুটিং সাইটস ফোর পিপল, দি ইনভিজিবল দাইনামিক্স ওফ কৌব্রু এমব্রোগলিও, এ পোইম বাই হিজম ইরাবত - 'মখোয়সিনি' (এ পোইম বাই হিজম ইরাবত - দে আর দি ৱান্স) অমসুং হোস্পিটাল : লুটিং সাইটস ফোর দি পিপল হায়বা হিরমশিং অসি য়াওরি হায়রি।

নো টু দ্রগস : মমা মপাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই...

লামায় ১গী মখা... ঙসি পাঙথোক্লিবা নো টু দ্রগসকী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিগী পান্দমদি মীয়াম হুপ্না দ্রগকী মরমদা খঙমিন্নবনি। ৱার এগেনষ্ট দ্রগসকী খোঙজংদা পূন্না খোঙথাং অহুম লৈরি। অহানবদা দ্রগশিংগী দিমান্দ হন্থহনবা, অনীশুবদা সপ্লাই হন্থহনবা অমসুং মসিনা মাঙহনগদবশিং হন্থহনবনি। মীয়াম্না উরিবসিদি সপ্লাইগী শরুক খক্তনি। দিমান্দ রিদক্সন তৌনবা হোৎনবদা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা পায়খৎপা থবক ময়াম লৈ। কনাগুম্বশিংনা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা দ্রগকী ইস্যুদা ইনভোল্ভ তৌরকপা অসি লৈঙাক্না তৌহল্লিব্রা হায়না য়াম্না লায়না হংলকপসু য়াওই অদুবু দ্রগকী কেসতা চেন্নবশিং ফারগা দিসমিসনচিংবা তৌরক্লিবা অসি লৈঙাক অসিনা ৱার ওন দ্রগসকী খোঙজংদা চপ য়ুংনা ফিরেপ লৈ হায়বা উৎলিবনি হায়খি।

দ্রগকী দিমান্দ হন্থহনবদা য়ূম-য়ূমগী মমা মপা ওইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই হায়রদুনা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টসু মসিগী মতাংদা রিহেবিলিটেসন সেন্টরনচিংবদা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং পীদুনা দ্রগকা নক্নরুরবা মীওইশিংবু মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

ৱার ওন দ্রগসকীদমক লৈঙাক্কী অকনবা মীৎয়েং লৈ হায়রদুনা চহী খুদিংগী ওইনা নবেম্বর থা লোইশিল্লকপা অমসুং দিসেম্বর অমদি জন্যুৱারী য়াওনা ফেব্রুৱারী ফাওবগী মনুংদা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহল্লি। ঙরাংসু চুড়াচান্দপুরগী টুইবোং সব দিভিজনগী মনুং চনবা মফম অমদা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎখি হায়খি। অদুবু হন্দক্তি অয়াম্বা মফমদা পোপি প্রদক্সন কয়া তৌনদ্রে হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বাসিখোং কোংবা ইরোং ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী লুচিংবী নিংথৌজম বিনোনা হৌজিক ক্যামগৈ মুসলিম এরিয়াদা দ্রগ য়োনবা ইমুংদা ক্লাস সভেন দগীনা ত্বেলভ ফাওবগী মনুংদা তল্লিবা নুপামচাশিং অমদি নুপীমচাশিং য়াওনা হিরোইন নম্বর ফোর লৈবা লাকপা য়াওরে। নহা ওইরিবী মতৈ মনাও ফাওবা নুমিদাংগী পুং ১০ তারবা ফাওবদা দ্রগ লৈবা লাকপদগী ফাবা য়াওখ্রে। মরম অদুনা তুংগী মীরোল কলহৌনবগীদমক মীয়াম পূন্না দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লান অসিদা শরুক য়ামিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বাসিখোং জিলা পরিষদকী মেম্বর সী ঐচ য়সোবন্ত (রোমিও), বাসিখোং জি পিগী প্রধান এন বিনোলতা, সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জিটেন্দ্র নিঙোম্বা, এদভোকেট সুখাম প্রেমজিৎ অমসুং বি পি ৱাই সী, বাসিখোংগী এদভাইজর এল মেঘচন্দ্রনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেসন্স জজনা লুচিংদুনা ...

লামায় ১গী মখা... থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়, অনীশুবা পোজিসনদা সম্পুরনা কেন্দ্র বিদ্যালয়গী ফ্রেসি লাইশ্রম (ক্লাস সিক্স-এ) অপোকপা লাইশ্রম রোমিও, খুরাই সাজোর লৈকায় অমসুং অহুমশুবা পোজিসনদা লিট্টল ফ্লৱার স্কুলগী মোইরাংথেম ক্রিসিকা (ক্লাস সিক্স) অপোকপা এম রোমেন, উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়নি হায়রি।

অমরোমদা পান ইন্দিয়া এৱ্যের্নেস এন্দ আউটরিচ কেম্প্যেন অসিগী শরুক অমা ওইনা এম্পৱারিং ওফ ত্রাইবেল ৱিমেন থ্রু লিগেল এৱ্যের্নেস - দিয়ার রাইটস, এন্টাইটল স্কিমসনচিংবা থিম অসিগী মখাদা সেনাপতিগী দি এল এস এনসু নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগা খূৎশম্নদুনা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি সেনাপতিগী দি আর দি এগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসিদা সেনাপতিগী সেসন্স কোর্টকী এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর কোসিয়া মাওনা রিসোর্স পর্সন ওইখি। প্রোগ্রাম অসিদা দি এল এস এ অসিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা সেসন্স জজ সামোম ইবজেন, দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবী অসেম তরুনাকুমারি, ফ্রন্ট ওফিসকী রিটেনর লোয়র মেরি সেনা য়াওনা ৱিমেন পুলিস পর্সনেল, অঙ্গনৱাদি অমদি আশা ৱার্করস অমসুং সেনাপতিগী সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি এক্টকী সেক্সন ১২, পোক্সো এক্ট অমসুং মণিপুর ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিম, ২০১৯নচিংবগী মরী লৈনবা পমপ্লেটশিং য়েন্থোকখি। ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা মীওই ৮৬না শরুক য়াখি।

লোয়ননা নালসাগী মীৎয়েং মখাদা দি এল এস এ ইম্ফাল ইষ্টনা নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং মসলসাগা খূৎশম্নদুনা 'এম্পৱারমেন্ট ওফ ৱিমেন থ্রু লিগেল এৱ্যের্নেস' কী প্রোগ্রাম অমা লিগেল রাইটস ওফ ৱিমেন প্রোভাইদেদ অন্দর দি ষ্টেচুদস অমসুং লিগেল রাইটস ভর্সেস সোসিএল প্রাক্টিস : চেলেঞ্জেস এন্দ দি ৱে ফোরৱার্দ হায়বা টোপিকতা লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা এ দি আর বিল্ডিংগী কনফরেন্স হোলদা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোককখি।

প্রোগ্রাম অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী সেসন্স জজ আর কে মেমচা, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী জে এম এন লনলৈমা, সিভিল জজ (জুনিয়র দিভিজন)/জে এম এফ সী কিমনৈগা কিপজেন, ওল মণিপুর লেদি এদভোকেট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে বিনোদিনি, এদভোকেট বি সুপ্রিয়া অমসুং এদভোকেট টি ঐচ প্রেমলতা য়াওনা শরুক য়াখি। এদভোকেট বি সুপ্রিয়া অমসুং টি ঐচ প্রেমলতানা প্রোগ্রাম অসিগী রিসোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

প্রোগ্রাম অসিদা দি এল এস এ অসিগী পেনেল লোয়রশিং, পি এল ভিশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্টকী আশা ৱার্করশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা দি এল এস এ চান্দেলনসু নালসাগী মখাদা চথরক্লিবা প্রোগ্রামশিংগী মনুং চন্না সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোকখি। রেল্লি অদু চান্দেল কোর্ট কমপ্লেক্সতগী সী জে এমনা লমথাখি। রেল্লি অদুদা পেনেল লোয়র, পি এল ভি, লোকল ক্লব অমসুং মীয়াম্না শরুক য়াখি। পূন্না খুল ৮ ফাওদুনা চৎখিবা রেল্লি অদু চান্দেলগী নথাম ভিলেজদা লোইশিনবগা লোয়ননা ফ্রী লিগেল এইদ অমসুং সর্ভিসকী মরমদা মরু ওইবা মফমশিংদা পমপ্লেটশিং য়েন্থোকখি।

লোয়ননা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুমগী চেরোল অমগী মতুংইন্না নালসাগী প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা হয়েং অমসুং হংচিৎ নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা জুদিসল ইষ্টাব্লিসমেন্ট অমসুং লিগেল সর্ভিসেস হায়বসিগী মতাংদা ষ্টেট লেভেল এগজিবিসন অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

এগজিবিসন অসি হয়েং অয়ূক পুং ১০ তারকপদা মসলসাগী পেত্রোন ইন চীফসু ওইরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টস পি ভি সঞ্জয়কুমারনা হাংদোক্কনি হায়রি।

এগজিবিসন অসিদা মরু ওইনা নীংতম্লবা চহী ৭৫ শুরকপদা মণিপুরগী জুদিসল এদমিনিষ্ট্রেসন, জষ্টিস দেলিভরি, এচিভমেন্ট ওফ জষ্টিস দেলিভরি সিষ্টমনচিংবগী পুৱারীশিং উৎপগা লোয়ননা অতোপ্পা থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

NIELIT Imphal
रा.इ.सू.प्रौ.सं NIELIT
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics and Information Technology (MeitY), Govt of India)
Akampat, Post Box No. 104, Imphal – 795 001, Manipur

ADVERTISEMENT FOR SHORT TERM COURSES – 2021 November)
Mode of Classes : Online/Blended Mode
(SUBSIDISED AND SPECIALLY ARRANGED TO LEARN FROM HOME DURING LOCKDOWN)

Sl. No.	Name of Course	Duration	Timing	Minimum Eligibility	Normal Course Fee (Inclusive of GST+ Exam fee) (Rs.)	Subsidized Fee (Inclusive of GST + Exam fee) (Rs.)
1.	Course on Computer Concepts (**CCC**)	80 hrs.	9:00 a.m. to 11:00 a.m.	Knowledge of English	5428/-	2950/-
2.	Certificate Course in Data Entry and Office Automation (**CCDEOA**)	135 hrs.	9:00 a.m. to 11:00 a.m.	Class XII passed	8071/-	4567/-
3.	ADCAAP (Advance Diploma in Computer application Accounting & Publishing) (**ADCAAP**)	200 hrs.	9:00 a.m. to 11:00 a.m.	Class XII passed	12862/-	6962/-

Last of date of admission : The 16th November, 2021. No course fee for SC/ST candidates. However processing fee of Rs. 220/- will be charged.
Starting of the course : The 17th November 2021 (Wednesday).
HOW TO APPLY: Interested candidate may apply online through http://14.139.207.252:8080 or www.nielit.gov.in/imphal/content/admission-new on payment of above fee through e-transfer (NEFT OR UPI) **to ACCOUNT NO. 10678276043, State Bank of India, Manipur University Campus (IFSC CODE NO. SBIN0005320)** or can be paid by using the **UPI QR code (UPI ID: sbi.05320@sbi)** given in the right side.
Contact for Enquiry : 6009973231/7005854028 during 9:00 a.m to 5:30 p.m on all working days (Mon-Sat).
***NOTE :** Students must provide his/her **WhatsApp no.** while submitting the forms.*

SBI Pay
Scan & Pay Using Any UPI App to
UPI ID : sbi.05320@sbi
MERCHANT NAME: NIELIT IMPHAL

Sd/-
(Th. Prameshwor Singh)
Executive Director

HL-B/7276/13